থৌদাং স্পোর্টস

[illegible] | ইম্ফাল, জনুৱারী ২১, ২০১৪ ইং ফাইরেনগী নোংমা পানবা, যুমশকৈশ | নহারোলগী থৌদাং ৭

ফার্ষ্ট পি ৱাই পি সি ট্রোফি

পি ৱাই পি সি-এ, জে এ য়ু, এ এন পি এ অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি মায় পাকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ পি ৱাই পি সি পুংদোংবম্না শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা পি ৱাই পি সি গ্রাউন্দ পুংদোংবমদা চথরিবা ফার্ষ্ট পি ৱাই পি সি ট্রোফি সব-জুনিয়ার কে জি ৪৫ মখাগী মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি ৱাই পি সি-এ , জে এ য়ু, এ এন পি এ অমদি সি ঐচ ৱাই য়ু সি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা পি ৱাই পি সি-এ পুংদোংবমনা ৱাই এস সি লৌসাংখোংবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। পি ৱাই পি সি-এ অমদি ৱাই এস সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনিমক্না অকনবা লম্বা থেংনখি। মেটচ অসিদা পি ৱাই সি-এগী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোল অদু কে ঐচ সনামচানা মেটচকী অহানবা মিনিটতা গোল অমা অমদি ৱাই প্রিতম্না ১৯ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না গোল অনি চনবা ঙমখি। অদুবু ৱাই এস সিগী মায়াকৈদগী গোল অদুবু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা গোল এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরবসু পি ৱাই পি সি-এগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মখোয়না তৌখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অসিগী নোর্মেল টাইম লোইবা ফাওবদা ৱাই এস সিগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা পি ৱাই পি সি-এগী মখুত্তা গোল ২-০ দা মায়থিহৌখি। শান্নখিবা মেটচ অসিগী ২১ শুবা মিনিটতা ৱাই এস সি লৌসাংখোংগী এ নিরু সাগরবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অয়ুক্কী অনিশুবা মেটচতা জে এস য়ু চিংনুংখোক্না এল এস আই সি লমলাইবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। জে এ য়ু অমদি এল এস আই সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনিমক্না অমনা অমবু মায়থিববা পীনবা অকনবা মওংদা গোল এটেক কয়া তৌদুনা শান্নখি। জে এ য়ুগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা চনখিবা মায় পাকপগী গোলশিং অদু, এন জি অমুথোইনা ৮ শুবা অমসুং ১৫ শুবা মিনিটতা গোল অনি, এস কুপেরনা ১৭ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি এন জি ইনুংঙানবনা ২৫ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদুদা জে এ য়ুনা গোল মরি চন্দুনা এল এস আই সিবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি। এল এস আই সিগী মায়কৈদগী এল প্রেমচান্না ২৮ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং এল নাওথোইনা ৩৮ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না গোল অনি চনখি। অদুবু এল এস আই সিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা জে এ য়ুনা চনখিবা গোলশিং অদুবু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা কাউন্টর এটেক কয়া তৌদুনা কন্না শান্নরবসু জে এ য়ুগী দিফেন্দরশিংনা মেটচ অদুবু মায় পাক্তবা য়াদে হায়রদুনা য়াম্না ফজনা দিফেন্স তৌদুনা শান্নখিবনা এল এস আই সিগী গোল এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি । শান্নখিবা মেটচ অসিগী অপিবা নোর্মেল টাইম লোইবা ফাওবদা এল এস আই সিগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা জে এ য়ুগী মখুত্তা গোল ৪-২ দা মায়থিহৌখি।

ঙসি নুংথিলগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এ এন পি এ সৈজাংনা এন এল এম ৱাই সি নুংগোইবু গোল ৫-০ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীখ্রে। এ এন পি এ অমদি এন এল ৱাই সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু এ এন পি এনা বোল হেন্না পায়দুনা অকনবা মওংদা কাউন্টর এটেক কয়া তৌদুনা শান্নখি। মেটচ অদুদা এ এন পি এগী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোলশিং অদু, অমরজিৎনা ১৩ শুবা অমসুং ২৯ শুবা মিনিটতা গোল অনি, এম সনাথোইনা ১৫ শুবা মিনিটতা গোল অমা, এন সনাথোইনা ৩৪ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি তোম্বনা ৩৮ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না মেটচ অদুদা গোল মঙা চনবা ঙমখি। অদুবু এন এল এম ৱাই সিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা এ এন পি এনা বোল হেন্না পায়দুনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখিবনা মখোয়না গোল এটেক তৌবগী মতম ফংখিদবনা মেটচ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা এ এন পি এগী মখুত্তা গোল ৫-০ দা য়াম্না চাওনা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী অনিশুবা মেটচতা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চল্লৌনা এস এস সি সেকতাবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। সি ঐচ ৱাই য়ু সি অমদি এস এস সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনিমক্না অকনবা লম্বা থেংনখি। সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুদা চনখিবা মায় পাকপগী গোল অদু, এ মাইঙৌনা ১৯ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি তোনিনা ৪২ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী গোল অনি চনবা ঙমখি। এস এস সিগী মায়কৈদগী গোল অনি অদুবু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা গোল এটেকশিং কয়া তৌদুনা শান্নরবসু সি ঐচ ৱাই য়ু সিগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবা মখোয়না তৌখিবা গোল এটেকশিং অরেম্বা তাহনখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা এস এস সিগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা সি ঐচ ৱাই য়ু সিনা গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অয়ুক্কী অহানবা মেটচতা ৱাই দি সি এল-বি পুংদোংবম অমদি আই এন জে সি ইতম নুংগোই অনিনা শান্নরবা মতুং অয়ুক্কী অনিশুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু-এ সেকতা অমদি সৈজাং অনিনা শান্নরগনি। নুংথিলগী অহানবা মেটচতা পি ৱাই বি-এ পাঙ্গৈ অমদি পি ৱাই পি সি পুংদোংবম অনিনা শান্নরবা মতুং অনিশুবা মেটচতা জে এ য়ু চিংনুংখোক অমদি ৱাই এস সি লৌশাংখোং অনিনা শান্নরগনি।

ফার্ষ্ট এম ইবুংঙো মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ লৈশেম্বা মরুপ ফুটবোল এসোসিয়েসন (এল এম এফ এ) হৈরোক্না শিন্দুনা পুন্না টিম ১২ না শরুক য়াদুনা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট মোইরাংথেম ইবুংঙো মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি এল ৱাই সি অমসুং ঐচ আর ৱাই সি দ্রো চংখ্রে অমদি সেভেন ষ্টার মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা টি এল ৱাই সি হৈরোক তৌরাংবম লৈকাই অমদি ঐচ আর ৱাই সি হৈনৌমখোং অনিনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী দ্রো চংখ্রে। টি এল ৱাই সি অমদি ঐচ আর ৱাই সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনিমক্না অমনা অমবু মায়থিবা পীনবা অকনবা মওংদা গোল এটেক কয়া তৌদুনা শান্নখি । অদুবু শান্নখিবা মেটচ অসিগী নোর্মেল টাইম লোইবা ফাওবদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবনা মেটচ অদু দ্রো চংখি।

ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা সেভেন ষ্টার হৈরোক্না দব্লিয়ু ৱাই এফ সি ৱাংজিংবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। সেভেন ষ্টার অমদি দব্লিয়ু ৱাই এফ সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু নাকল অনিমক্না মেটচ অদুবু মায় পাক্নবগীদমক অকনবা লম্বা থেংনখি। মেটচ অদুদা সেভেন ষ্টারগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল অদু দিনানা মেটচ হৌরকপা ৩ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমদি সোভানা ৩৫ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না গোল অনি চনবা ঙমখি। শান্নখিবা মেটচ অদুদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সিগী মায়কৈদগী গোল অদুবু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা গোল এটেক কয়া তৌদুনা শান্নরবসু সেভেন ষ্টারগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা গোল এটেকশিং অদুবু অরেম্বা তাহনখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সিগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা সেভেন ষ্টারনা গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা এল এম এফ এ-এ হৈরোক অমদি এম ৱাই সি হৈরোক অনিনা শান্নরবা মতুং অনিশুবা মেটচতা দি এল সি-এ হৈরোক ময়াই লৈকাই অমদি কে দি এ হৈরোক কবো লৈকাই অনিনা শান্নরগনি।

সন্তোস ট্রোফি এন ই জোন

মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু মায়থিবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ অসামগী মোরিগাউন কর্মপ্রান খিরোদ বরুৱা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮ দগী হৌদুনা নোর্থইষ্ট জোনগী ৬৯ শুবা নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ সন্তোস ট্রোফি ২০১৪-১৫ গী ক্বালিফাইং রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী চনখিবা মায় পাকপগী গোলশিং অদু টিম কেপ্তেন নাওতোননা অহানবা হাফকী ৩৭ শুবা অমসুং অনিশুবা হাফকী ৫৫ শুবা মিনিটতা গোল অনি অমদি ৱাই ইনাওনা অনিশুবা হাফকী ৮৫ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনশিন্দুনা পুন্না মেটচ অদুদা মণিপুরগী গোল অহুম চনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মণিপুরগী মখুত্তা গোল ৩-০ দা মায়থিহৌখি।

ক্বালিফাইং রাউন্দ অসিগী মণিপুরগী ওইনা মথংগী মেটচ লাক্লিবা জনুৱারি ২২ দা মণিপুর অমদি অসাম অনিনা শান্নরগনি।

এন ই জোনগী ক্বালিফাইং রাউন্দ অসিদা গ্রূপ-এগী কাংলুপতা অসাম, মণিপুর, নগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশ টিম মরিনা লম্বা তৌরি। গ্রূপ-বি গী কাংলুপতা মিজোরাম, মেঘালায়া অমদি ত্রিপুরা টিম অহুম অসিনা লম্বা তৌরি।

১৮ শুবা দেবলা ট্রোফি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ দেবলা ট্রষ্ট ওফ বাসু খাংঙবোক্না শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা বাসু গ্রাউন্দ খাংঙবোক্তা চথরিবা ১৮ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস ৱাই দি এ অথোকপম্মা এস সি সি খাংঙবোকপু রন ১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

এস ৱাই দি এ অমদি এস সি সি অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু এস ৱাই দি এনা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌখি। শান্নখিবা মেটচ অদুদা এস ৱাই দি এগী মায়কৈদগী অপিবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৭৫ লৌদুনা টার্গেৎ রন ৭৬ তা থল্লমখি। এস সি সিগী মায়কৈদগী ওভর ১৩ গা বোল ২ দা ৱিকেট পুম্নক তুরগা রন ৬০ খক লৌদুনা এস ৱাই দিনা থল্লম্বা টার্গেৎ অদু য়ৌবা ঙমদবদগী রন ১৫ দা এস ৱাই দি এগী মখুত্তা মায়থিহৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনানা এস ৱাই দি এগী বিন্দিয়াশ্বরনা তাখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অনিশুবা মেটচ ঐচ আই টি খাংঙবোক অমদি ৱাই ঐচ সি টি য়ুম্নাম হুইদ্রোম অনিনা শান্নগদবা ৱাই ঐচ সি টি য়ুম্নাম হুইদ্রোম লাক্তবনা ঐচ আই টি খাংঙবোক্না ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহানবা মেটচতা এন ৱাই সি নিংথৌনাই অমদি ৱাই এ ৱাই এ পল্লেল অনিনা শান্নরবা মতুং অনিশুবা মেটচতা আই এন শগোলবন্দ অমদি পি কে এলভেন কাইরেম্বিখোক অনিনা শান্নরগনি।

১৬ শুবা সেনা কপ ২০১৫

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ দি এস এ ককচিংগী মখাদা সেনা এথেলেটিক ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা, ককচিং ৱাইরি খুঞ্জামপাৎ প্লেগ্রাউন্দা থা অসিগী ১১ দগী হৌদুনা চথরকখিবা ১৬ শুবা সেনা কপ ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর-ফাইনেল মেটচতা আইদিএল য়ুথ এসোসিয়েসন (আই ৱাই এ) ককচিংনা এদভাঞ্চ ভলনট্রিয়র্স ওর্গনাইজেসন (এ ভি ও) ককচিংবু গোল ২-০ দা মায়থিবী পীখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর-ফাইনেল মেটচতা টিম অনিমক্কী শান্নরোইশিংনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙম্ননবা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অদুবু টিম অনিমক্না অহানবা হাফকী অপিবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে।

অহানবা হাফতা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদ্রবা মতুং অনিশুবা হাফকী ৫০ শুবা মিনিটতা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী পি সন্দীপ (জর্সি নম্বর ৬) না মেটচ অসিগী অহানবা গোল চন্দুনা এ বি ওগী শান্নরোইশিংবু হেন্না প্রেসর লৈহনখি। অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা অনিশুবা হাফ অসিগী ৫৬ শুবা মিনিটতা আই ৱাই এগী মায়কৈদগী এ সুরঞ্জয় (জর্সি নম্বর ৭) না গোল অমগা চনশিন্দুনা মখোয়গী ওপোনেন্ট ওইরিবা এ ভি ওগী শান্নরোইশিংবু পুক্নিং লাংতক্ন হনখি।

এ ৱাই এগী মায় পাকপগী গোল অনিমক য়াম্না থেংবা মতমদা চনখিবা নত্তবনা এ ভি ওগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্নবগী খুদোংচাবদি ফংখি অদুবু অনিশুবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম মিনিট ৫৪ অসিদা এ ভি ওনা য়াম্না কন্না হোৎনজরবসু মখোয়গী হোৎনজমন আই ৱাই এগী দিফেন্দরশিংনা পুম্নমক অরেম্বদা তাহনখি। মখোয়না মখা তানা গোল চনবা ঙমখিদবনা আই ৱাই এনা মেটচ অসিদা এ ভি ওবু ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা ৩৭ শুবা মিনিটতা এ ভি ওগী এন বিপিন (জর্সি নম্বর ৪) বু মেটচ অদুবু কন্দক্ট তৌখিবা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। অনিশুবা হাফকী ৫৯ শুবা অমসুং ৭০ শুবা মিনিটতা কে ঐচ প্রিয়োবর্তা (জর্সি নম্বর ৩) অমসুং পি রোহিৎ (জর্সি নম্বর ৯) বু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুবু টি ঐচ পরসুরাম, টি ঐচ দিনেশ্বর, টি ঐচ অরুনকুমার অমসুং পি গোদাদোরনা মথংশিংনা সেন্টির রেফ্রি, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমসুং ফোর্থ রেফ্রি ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

ঙসি আইদিএল য়ুথ এসোসিয়েসন অমদি এদভাঞ্চ ভলনটিয়ার ওর্গনাইজেসন অনিনা শান্নখিবা মেটচ অদু ফুটবোলবু পামজবা মীওই ৬০০ রোম্না থৱাই য়াওনা য়েংনখি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১০ শুবা সোরাইসম রোনিকা মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল জুনিয়ার গার্লস ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ মথং থাগী ২০ দগী হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ট্রি ফি পীশিনবগী অরোইবা মতম ফেব্রুৱারিগী তাং ১৫ ফাওবনি এন্ট্রি ফিনা লুপা ১,০০০ নি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিম খুদিংমক্কী মেনেজর মীটিং মথং থাগী ১৬ কী নুংথিল পুং ১ তাবদা আই ই দি এফ এগী ওফিসতা পাংথোক্লগনি হায়না এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খংহল্লক্লি।

সেলেক্সন পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ ছত্তিসগর কয়াকিং এন্দ কেনোইং এসোসিয়েসন্না য়ুম্বু ওইদুনা ইন্দিয়ন কয়াকিং এন্দ কেনোইং এসোসিয়েসনগী মখাদা মথং থাগী ১৯ দগী ২৩ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ২৫ শুবা নেস্নেল কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫ পাংথোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারুনবা ওল মণিপুর কেনোইং এন্দ কয়াকিং এসোসিয়েসন্না পুন্না সেনিয়ার, জুনিয়ার, সব-জুনয়ার পেদলর ৬১, ওফিসিয়েল ৩ অমসুং কোচ২ সেলেক্সন কম্মিটিনা খনগৎতুনা মণিপুর টিম শেমখ্রে। খনগৎলবা পেদলরশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা এ ও সি বোতহাউস, মেনেজরদা রিপোর্ট তৌরক্নবা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা খঙহল্লক্লি।

প্রেস কনফরেন্স

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসন এ আই টি এ টেলেন্ট সেরিজ চেম্পিয়ন্সিপ ইম্ফালদা পাংথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৩ নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ওফিসার ক্লবতা প্রেস কনফরেন্স পাংথোক্লগনি।

হোকি এসোসিয়েসন অমত্তা ওইনা পুনশিনবীয়ু

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ মণিপুরদা হোকি এসোসিয়েসন অনি থোক্লিবসি অমত্তা ওইনা পুনশিনবীয়ু, ইং ২০০৯ গী মতমদগী এম ও এগী মতমদা হায়রিবা হোকি এসোসিসেন অনি অসি থোক্লকখিবনি। হৌজিক্কী শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা মরু ওইনা এম ও এনা শান্নরোইশিংগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী খনবীদুনা এসোসিয়েসন অমখক থমদুনা মপাঙ্গন কনবা শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্নবা থম্মোই শেংনা হোৎনরক্কনি হায়না সুপর স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (এস এস এ) চরাংপাৎকী সেক্রেটরি সোমোকান্তা সোরোখাইবম্না ফোংদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অনি শুবনা ঙসিদি মণিপুরদা হোকি মশান্না অসি হান্নদগী হেন্না মমি শান্নক্লে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হোকি মশান্না অসি এস এস এ চরাংপাৎ খক্তনা শান্নদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শান্নরকপদা নেস্নেলগী থাক্তা নুপী অমসুং নুপা অনিমক্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মায় ওইদুনা শান্নরকখি অদুবু এসোসিয়েসন অনি থোরকপা মরম্না ঙসিদি এস এস এ চরাংপাৎ হোকি মশান্না অসিসু মমি শান্নক্লে।

মণিপুরদা হোকি মশান্না অসিবু চাওখৎনবগীদমক তোঙান-তোঙনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মফম কয়াদা চৎতুনা মশান্না অসিবু চাওখৎনবা খনবীয়ু । এসোসিয়েসন অনি থোকপগী ওইবা ৱাখল অদু থাদোকপীয়ু। মণিপুরদা হোকি টুর্নামেন্ট শিন্নিংবা মতমদা শিনবা য়াই অদুবু শান্নবীনবা শান্নরোইশিং লৈত্রগদি মণিপুরদা হোকি টুর্নামেন্ট শিল্লুবগী ৱাহল্লোক শুকলৈ লৈররোই।

ইম্ফালগী মফম খরদা হোকি শান্নরগা হোকি মশান্না অসি মপুং ফাবা খক ওইররোই । সুপর স্পোর্টিং এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিংগী লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং অসি মশান্না অসিবু পামজবা লমদম অসিগী মীওইশিংনা নুংশিবীদুনা মতেং পাংবীয়ু।

মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্নসু হোকিগী এসোসিয়েসন অনি থোক্লিবা অসিসু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না এস এস চরাংপাৎকী সেক্রেটরি সোমোকান্তা সোরোখাইবম্না পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

এক্সন লৌখৎকনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২০ঃ থা অসিগী ১৪ য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা এ এস সি এনা শিন্দুনা চথরকখিবা ৬ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ গী অনিশুবা সেমি-ফাইনেল শান্নবা মতমদা ভাভকশিংনা শান্নরিবা টিম অনিগী মীচং চংনবদা খৎন-চৈনবগী থোকখ্রিবা থৌদোক অদুদা এ এস সি এগী ওর্গনাইজরশিংনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা লাক্লিবা অতৈ ভাভকশিংদা এ এস সি এগী মায়কৈদগী অপিল তৌজরি। লোয়ননা টিমশিংনা দিসিপ্লিন লৈতবা অমসুং রুল ৱাংমদা থবক তৌরবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
KEIRAO BITRA, IMPHAL-EAST

Ref: Mutation Case. No. 13/SDC/KBT Dt. 15/01/2015

Waikhom Ajit Singh S/o (L) W. Ngouba Singh of Keirao Bitra Awang Leikai.

... Petitioner

-Vrs:-

Waikhom Ngouba Singh S/o (L) Ibohal Singh of Keirao Bitra

...Deponent

NOTICE

Keirao Bitra, Dt. 15/1/2015

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act,1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৭- কৈরাও বিত্রা তহলশিল কৈরাও বিত্রানা কোনবা পাট্টা নং ৬৮ অরিবা, পাট্টা নং ৫৪৫ অনৌবা, দাগ নং ৪৯ /২৫৩ মোত এরিয়া ০.০৪৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা পাট্টাদারগী মচানুপা অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মাগী মমিংদা চংহনবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাট্টর অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা য়েৎলবা য়াগনি। তুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector**
Keirao Bitra, Imphal East

NT/63325/21

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Mutation Case No. 44/SDC/NBL of 2015

Soibam Brojendro Singh, S/o S. Iboton Singh of Nambol Awang.

. . .Petitioner

-Vrs-

Late.Soibam Iboton Singh, S/o (L) S. Chaoyaima Singh of Nambol Awang.

. . . O.P.

NOTICE

Dt. 20/1/2015

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ই:ই: তহশিল খুল নং: ২৪-বালারাম খুল পাট্টা নং: ১২(অরিবা) ২৭৫(অনৌবা দাগ নং: ১২৪ এরিয়া ০.৬০ একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে মরম অদুনা মথক্তা পল্লীবা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল কোর্ট অসিদা পীশনলক্তুনা য়েৎপীরবা (Objection) য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Nambol

NT/63330/21(Jan)

IN THE COURT OF ASST. SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL - (I)

Mutation Case No. 76 of 2015

Bachaspatimayum Surchandra Sharma, S/o (L) Ibopishak Sharma of Thoubal Ningombam.

. . .Petitioner

-Vrs-

Late. -do- Ibopishak Sharma, S/o (L) Toujao Sharma of Thoubal Bazar.

. . . O.P.P.

NOTICE

Dt. 19/01/2015

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, খুল নং: ১৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং: ১১৭০ (অরিবা) , ১১৬৩ (অনৌবা) দাগ নং: ২০৫৭ এরিয়া .০০১৪ হেক্তর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার বাচচশপতিময়ুম ইবোপিশক শর্ম্মা অসি মৃ: ওইখ্রে। মৃ: গী মিংদা পানবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারিনা স্বত ওইনা মিং ওনবীরো হায়দুনা S.S. & S.O. Tbl-(I) গী কোর্ট দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ২৯-০১-২০১৫ ইংগী অয়ুক পুং ১১:৩০ তাবা ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **M. Gambhir Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Thoubal - (I)

NT/63330/21(Jan)

---

৫৩ শুবা ট্রেনিং

চেঙ্গুম মরু, উয়েল মরু, শেম্বা থাবা তম্বীবা

লুপা ১৭০০ কী ওইবা (কলচর) ফ্রিদা পীগনি। বেঙ্ক অসি লোন লৌবদা মতেং পাংগনি। চেঙ্গুম থাদুনা পৈশা তানবীয়ু। মণিপুরদা অহানবা ওইনা ২০১৩ গী মে থাদগী ট্রেনিং সেন্টর হাংদোকচদুনা ট্রেনি ৫৩১ পুথোকখ্রবগী তুংদা লাক্লিবা তাং ২৫ দগী ৩০ ফাওবা ট্রেনিং তৌজগনি। ঐখোয়গী চেঙ্গুম মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিবেলদা উবীখ্রে। প্রক্টেকেল ঙাক্তা তাকচরি। অকক্লবা সিট লৈজে নিংশিংবীয়ু।

Secretary:-
I.F.A. Thangmeiband
Thingel Leikai.

INTEGRATED MUSHROOM TRAINING CENTRE
Sh. Ibohal Sharma
# 9774983141

NT/63326/21

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

Mutation Case No. 40/SDC/NTK/2015

1) Moirangthem Nimai Singh, S/o Shyamkeshor Singh of Phubala Makha Mamang Leikai, 2) M. Ramananda Singh, S/o Thambou Singh of -do-, 3) M. Amubi Devi, D/o (L) Bigudor Singh of -do-, 4) M. (o) Nungshitombi Devi, W/o (L) Ibochouba Singh of -do-, 5) M. Ibemhal Devi, W/o (L) Kondum Singh of -do-.

. . .Petitioners

-Vrs-

Late. Moirangthem Meinya Singh, S/o (L) Tona Singh of Heirangoithong.

. . . Pattadar.

NOTICE

Ningthoukhong, the 20th Jan, 2015

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি, 46-Phubala Village গী Patta No. (i) 46/253 (N) C.S/. Dag No. 1374 having an area 1.18 acre of Ingkhol (ii) 46/254(N) C.S. Dag No. 1361 having an area 0.43 acre of Ingkhol অসিগী পাট্টাদার অসি মৃঃ ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা-মমৌশিংদা Petitioners অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৮-১-২০১৫ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌররোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না হুকুম চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong

NT/63331/21(Jan)



REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES:IMPHAL-795004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Government of India.)

TENDER NOTICE
Imphal, the 20th Jan 2015

No. E/1/RIMS-06: Sealed Tenders (two bid system) from registered firms/manufacturers/Authorised Dealers are invited for supply and installment of equipments for dermatology RIMS Imphal listed af annexure-A. Tender documents containing detail specifications of the above items for RIMS Imphal along with terms and conditions of supply can be had from the office or it can be downloaded from the Institute's website i.e. www.rims.edu.in and CPP Portal website i.e www.eprocure.gov.in on or after 21/01/2015. Tender documents will be supplied on request upto 14/02/2015, during office hour. The sealed tender should be submitted through post/courier/hand latest by 4:00 p.m. of 16/02/2015. Sealed tender will be opened on 20/02/2015 at 2:00 p.m.

Prof. Ch. Arun Kumar Singh,
Director,
Regional Institute of Medical Sciences,
Imphal

NT/B/21

Document Lost

I have lost my Original Document of Vehicle Pulsar 135 bearing Chassis No. MD2JDJDZZ UCL 13622 and Engine No. JEGBUM 70433 issued by Manipur Motor Mantripukhri on the way in between Thoubal and Imphal on 01/07/14

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

L. Lalit Singh
Heirok Part- II, Maning Leikai.

NT/63327/21

Imphal Ring Road Khabam Lamkhai গী মতাংদা ৱাকৎচবা

Project Director NESRIP P.W.D. Manipur না A.D.V. গী শেহুং মখাদা Imphal Ring Road শেম্বদা হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা খাবম লমখাইগী শরুক খরদা হান্না য়ুম য়াম্না শোক্তবা Alignement অদু কনাগুম্বা খরগী প্রেসরদগী হোংদোক্লগা মী হেন্না তাবা য়ুম মশীং হেন্না শোকপা Heingang Polo গী হান্না ফুট ৩০/৩০ নাক-য়েৎতা পাকথোক্কনি হায়না লৈখ্রবা খাবম I.V.R. অসিদা নৌনা alignement থৈজিল্লকপা অসি মীচং মীখাই নাইবা থৌওংনি। প্রজা ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই। মসিদা Project Director না অদোমদা পীরিবা শক্তি অদু সরকারগী শিন্মী অমা ওইনা অচুম্বা লম্বীদা ইশাগী ইথৌ তৌবীয়ু। মণিপুরগী থবক খুদিংমক্তা অনি থোক্তবা য়াদে হায়বগুম ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা লৈমিন্নরিবা প্রজা ঐখোয়বু শাউনহনগনু। লোয়ননা অদোমগী Engineering গী লাইরিক্তা Ring Road কা I.V.R. গা নক্না লৈবা য়াদে। লম্বী শেম্বদা অনৌবা শেম্বদগী অরিবা লম্বীদা শেম্বনা কনবা হেল্লি হায়বা লৈব্রা ? লৈরবদি অদোম্না অহানবা alignement তৌবদা লম্বী অদু উহৌদ্রিবা করিগীনো ? মখা তানা শোক্লবা প্রজা ঐখোয়না মণিপুর সরকারগী Land Acquisition বু তরাম্না ওকই। অদুবু মরৈ অনী লোংবা পল্লেপফম নাইদবা থৌওং অসিদি য়াবা ঙম্লোই।

W. Bihari Singh
W. Gandha Singh
President, Secy, Newly Effected Land Owner Association of Ring Road

NT/63323/21

L.G. MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPAHL WEST - 795001
NEAR YUMJAO LEIREMBI MANING

SL.NO.	NAME OF THE POST	QUALIFICATION	AGE	BRANCH	NO.OF POST
1.	ASST. LEGAL ADVISOR	B.A LLB/M.A LLB	18-25	H.Q	2
2.	ASST.MANAGER(BANKING)	M.CA/B.CA/B.COM/M.COM	18-25	H.Q	2
3.	ASST.MANAGER (R.O)	10+2(Computer Known)	18-25	H.Q	2
4.	COMPUTER OPERATOR	DTP/TALLY (KNOW)	18-25	H.Q	1
5.	ASST. MANAGER	10+2(Computer Know)	18-25	PANGEI	2
6.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	SAMUROU	2
7.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	THOUBAL	2
8.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	SEKMAI	2
9.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	PATSOI	2
10.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	MOIRANG	1
11.	ASST. MANAGER	10+2 (Computer Know)	18-25	BISHNUPUR	2
12.	MECHANIC (2/3 Wheeler)	VIII PASS (3 Years Exp.)	18-25	H.Q	3
13.	SECURITY	VIII PASS	18-25	H.Q	1
14.	DRIVER	TRUCK (LOCAL) & CAR	18-25	H.Q	2
15.	GRADE IV	VII PASS	18-25	H.Q	2
16.	BRICK MISTRY	VII PASS	18-25	H.Q	3
17.	BRICK JUGALI	VII PASS	18-25	H.Q	8

COMMISSION BASIS তা AREA খরাগী AGENT কৌজরি।

মফমশিং অদুদি :-

Yairipok,Sugunu,Nambol,Mayang Imphal, Khumbong,Kumbi, Ningthoukhong, Pallel,Moreh, Kangpokpi, Senapati, Ukhrul,Churachandpur, Lamshang, Tamenglong,Chandel, Irilbung, ndro,Nungba,Sawombung,Wabagai & Nungba.

Sd./-
MANAGING DIRECTOR
L.G. MOTORS (H.Q)

NT/B/17,18,19, 20